**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-12-2024)**

**মনমোহোন (এল)ঃ** হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-ডা: মনমোহোন সিংহগী অরোইবা মথৌ মঙম রাজ্য থাক্কী ইকায় খুমবগা লোয়ননা ন্যু দিল্লিগী নিগমবোধ ঘাটতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

লুচিংবা অসিগী মফমদা গার্দ ওফ ওন্নর পীরবা মতুং রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকর, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, কেন্দ্রগী মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ, অমিত সাহ, জে.পি. নদ্দা, লোক সভা অধ্যক্ষ-ওম. বিরলা, কংগ্রেস প্রসিদেন্ট-মালিক অরজন্ খর্গে, কংগ্রেস লুচিংবা সোনিয়া গান্ধি অমসুং রাহুল গান্ধি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা নিগমবোধ ঘাটতা ইকায় খুমবা উৎখি।

লান্মীগী মকোক-জেনরেল উপেন্দ্র দ্রিবেদি, চাফ ওফ নেভেল ষ্টাফ-এদমিরেল-দিনেস কে. ত্রিপাধি, চীফ ওফ ইয়ার ষ্টাফ- ইয়ার চীফ-মার্সেল অমর প্রিত সিংহ, ভুটানগী নিংথৌ-জিগমে কেসর নামগিয়ল ৱাংচুক, মাওরিসচকী ফোরেন মন্ত্রি-ধনঞ্জয় রামপুরসু ডা: মনমোহোন সিংহগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অসিগী অরোইবা খোঙচৎ, কংগ্রেস হেদক্বাটরদগী হৌরগা নিগমবোধ ঘাট ফাওবা চৎখি। মদুগী মমাংদা, মহাক্কী হকচাং মহাক্কী ময়ুমদগী পুরক্লবা মতুং কংগ্রেস হেদক্বাটরদা থমদুনা মীয়ামনা ইকায় খুমবা উৎখি। ডা: মনমোহোন সিংহ হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা ন্যু দিল্লিগী এইমসতা লৈখিদবনি। মশাগী চহি ৯২ শুখ্রে।

**কোম্বিং(এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইঙংপোকপী অমসুং মসিগী অকোইবদা লৈবা চিংগী মফমশিংদা থিবা হুম্বগী

থবক চথ্খ্রে।

মনিপুর পুলিস, লান্মী, সি.আর.পি.এফ. অমসুং বি.এস.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাংদগী নোংমৈ কাপরিবা মফম অসিদা থিবা হুন্থবগী থবক চথ্খিবনি। মনিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-মফম অদুদগী খুৎলায় পায়বশিং তকথোক্ত্রিবা ফাওবা ওপরেসন চথ্খিগনি হায়রি। সেকুারিতি ফোর্সনা থমাপোকপী, সনাশাবী অমসুং উয়োগ চীংনচিংবা মফমশিংদা থিবা হুন্থীগী থবক চথ্খি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-সেকুারিতি ফোর্সনা মফম অদুদা থিবা হুন্থবগী থবক চথনবা হোৎনবদা চিংগী খুল খরদা নুপীশিং থোরক্তুনা অপনবা পীনবা হোৎনরকখি। অদুবু, সেকুারিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা শান্তি হনজিল্লকবা হোৎনবগী থবক অমা ওইনা ওপরেসন অদু মখা তানা চথ্খি।

ঙরাংদগী থমাপোকপী অমসুং সনাশাবী খুলদা চিংথক্তগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা লান্দরকপদা নুপী অমা য়াওনা পাউমী অমসুং পুলিসকী মীওই অমা অশোক-অপন নংখিবনি।

**ৱার্কশোপ(এল) ঃ** ইনলেন্দ ৱাটরৱেজ এন্দ রিভেরাইন কলচর ওফ নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনি চথ্রকপা জাতি থাক্কী সেমিনার ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইকোনোমিক্সকী লেকচর হোলদা লোয়শিনখ্রে।

কেন্দ্রগী পোর্টস, সিপ্পিং এন্দ ৱাটরৱেজ মন্ত্রালয়গী মখাদা মনিপুরি য়ুনিভরসিতি য়াওনা তোঙান তোঙানবা সংস্থানশিংগা পুন্না শিনবা থৌরমগী ঙসি লোয়শিনব নুমিৎতা ত্রিপুরা য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার-জি.পি. প্রসাইন্দ, মনিপুরি য়ুনিভরসিতি গী ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্টকী হেদ অমসুং ওর্গনাইজিং কমিতিগী চেয়ারমেন-প্রোফেসার মোইরাংথেম হেমন্ত মীতৈ অমসুং ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী হান্নগী ভাইস চান্সেল্লর-প্রোফেসার নোংমাইথেম রাজমোহোননচিংবা শরুক য়াখি।

**বোসেম(এল) ঃ** বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরগী কর্ম্মচারিশিংনা হৌখিবা তাং ১৩ দগী থবক লেপ্পগী খোঙজং চংশিনখিবা অসিনা মথং চহিগী ফেব্রুৱারী ১৯ দগী হৌগদৌরিবা ক্লাস টেনগী পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকগদৌরিবা অসিগী য়েংলগা মখোয়গী খোঙজং হন্দোকপীনবা ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস গারজিন্টস ওর্গনাইজেসননা আপিল তৌরক্লি।

লুপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ক্লাস টেনগী পরিক্ষা লোয়দ্রিবা ফাওবদি মখোয়গী খোঙজং হন্দোকপীদুনা পরিক্ষা অসি নীংথিনা পাঙথোকপা য়ানবা হোৎনবীয়ু।

**বন্দ(এল) ঃ** থৌবাল জিলাগী শলুংফমদা খুল ঙাকপা মীওই অমা হাৎখিবা অমসুং ৬ না পুলিসনা ফাজিনখিববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা কৌখিবা পুং ২৪ গী মনিপুর বন্দনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অপনবা থোকখি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা কৌখিবা সটদাউন্দ অসিনা মরম ওইরগা জিলা অমগা জিলা অমগগী মরক্তা গাড়িশিং চেন্নখিদে। মরুওইবা কৈথেল অমসুং দুকানশিং ফমখিদে। লম্বীদা গাড়ি চৎপগী চাং হন্থখি। মফম কয়াদা মীয়াম থোরক্তুনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনখি। পামদবা থৌদোক মচা মচা থোকপা নত্তনা পুন্না য়েংবদা বন্দ শান্তি ওইখি। মনিপুর তম্পাক্কী জিলাশিংদা বন্দ অসিনা চাউনা চৈথেং পীখি।

জোইন্ট এক্সন কমিতি এগেনষ্ট দ কিল্লিং এন্দ এরেষ্ট ওফ সিক্স ইনোসেয়েন্ট ভিলেজ ভোলুন্তিয়ারনা ফাখিবা মীওইশিং খুদক্তা কন্দিসন য়াওদনা থাদোকবা দাবীসু তৌরি।

**নুমিৎ (এল) ঃ** ৪৪ শুবা মৈরা পায়বী হৌদোকখিবা নুমিৎ, ওল মনিপুর ৱিমেন্স সোসিএল রিফোরমেসন এন্দ দিবলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ) না শিনদুনা

হয়েং জি.এম. হোল ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি।

নুপী সমাজগী লাইওইখ্রবা ইমাশিংদা ইকায় খুমবা উৎপনা নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইগনি।

**অরকাইবস(এল) ঃ** ৪৩ শুবা অরকাইবস ৱিক সেলেব্রেসন অমসুং রেকোর্ড ইগজিবিসন হয়েং লোয়শিল্লগনি। ঙরাংদগী কৈশাম্পাৎ ইম্ফালদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট অরকাইবস কমপ্লেক্সতা চত্থরকখিবা চয়োল পালন অসিদা রেকোর্ড ইগজিবিসন নুমিৎ হুমনি চুপা উৎকনি হায়রি।

**সোল্লর (এল) ঃ** ৮৬ বটালিয়ন সি.আর.পি.এফনা শিনদুনা ঙসি নোনে জিলাদা লৈবা খুমজি পার্ট ফাইব ভিলেজতা সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-ডা: মনমোহোন সিংহগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। তুংদা, খুমজি পার্ট ফাইব ভিলেজগী খুঞ্জাশিংদা সোল্লর ষ্ট্রিট লাইটশিংসু য়েন্থোকখি।

**বিষ্ণুপুর (এল) ঃ** সি.আর.পি.এফকী সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা ৮ শুবা বটালিয়ন সি.আর.পি.এফনা বিষ্ণুপুর জিলাগী চিংনিংখোল মুস্লিম ৱার্ড নম্বর টুদা মফম অদুগী মীয়ামগা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বটালিয়ন অসিগী সেকেন্দ ইন কম্মান্দ-এস.ঐচ. সঞ্জিব চৌধুরিনা শান্ন খোৎনবগী পোৎলমশিং খুৎশিন্নখি।

**বাবিনা (এল) ঃ** আমেরিকান ওনকোলোজি ইন্সটিট্যুট (এ.ও.আই) বাবিনা স্পিসিয়েলিটি হোস্পিতালনা হেরিদিতরি ব্রেষ্ট কেন্সরনা নাবা চহি ৩৬ শুরবী নুপী অমা মায় পাকা লায়েংবা ঙমখ্রে হায়রি।

মায় পাকা লায়েংখিবা অসিনা হেরিদিতরি ব্রেষ্ট কেন্সর লৈবা অনাবশিংদা অনৌবা আশা অমা পীরে হায়না মেদিকেল ওনকোলোজিষ্ট-ডা: শিভাসিস ভত্তচ্যারিয়ানা ফোংদোরক্লি। মহাকা হায়-হেরিদিতরি ব্রেষ্ট কেন্সর কেস অসি চাউরাকা চাদা ৫ দগী ১০ ফাওবা নুপীদা নাগল্লি।

**ডাক্তর(এল) ঃ** রাজ্য অসিদা লৈরিবা হোস্পিতালশিং, ডাক্তরশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংদা অকি-অখণ্ড পোকহনবগী থৌদোক তোয়না থোরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি হায়না ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন (আই.এম.এ)-মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সনা হায়রি।

চেরোল অমদা এসোসিয়েসন অসিনা হায়-অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিনা ডাক্তরশিংনা মীয়ামগী সেভা তৌনবা হোৎনবদা চাউনা নীংহন্নবা পোকহল্লে। খ্বাইদগী নৌবা থৌদোক ওইনা ঙরাং শকখঙদবশিংনা কারকিনোজ মনিপুর কেন্সর ইন্সটিট্যুট এন্দ রিছার্স সেন্টরগী দাইরেক্তর-সি.ই.ও. ডা: জি.এস. মোইরাংথেমগী চিংমৈরোং মনিং লৈকাই নেপালি বস্তি ইম্ফালদা লৈবা মশাগী য়ুমদা বোম থমজিল্লম্বা অদুদা নুংঙাইতবা ফোংদোক্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীদনবা আই.এম.এগী চেরোল অমনা হায়রি।

**কোচিং (এল) ঃ** কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন, ময়াই লম্বী জোনেল কাউন্সিলনা শিনদুনা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী মহৈরোইশিংগী ওইনা চথুরকপা ফ্রি কোচিং ক্লাস ঙসি লোয়শিনখ্রে।

কোচিং ক্লাস অসি মমাং থাগী ২০ দগী হৌদুনা এন. তোমচৌ হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা নুমিৎ ৪৫ নি চুপা চথুরকপানি। কোচিং ক্লাস অসিদা পুন্না মহৈরোই ১৫০ রোমা শরুক য়াখি।

**মনকি বাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১১৭ শুবা

ইপিসোদ হয়েং, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্তুনা তাহনগনি। মসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। অতৈ লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**ইংবা ঃ** অৱাং ভারতকী মফম কয়াদা হৌজিক ইংবা অমসুং উন তাবগী খুদোংচাদবা মায়োকরি। উত্তরাখন্দগী অৱাংবা মফম কয়াদা উন তারে। তম্পাক্কী মফম কয়াদা ময়াই ওইরপ নোং চুরে। নোং চুবা অমসুং উন তাবনা মরম ওইদুনা রাজ্য অদুদা ইংবগী চাং খঙহেন হেনজিল্লে।

মেট দিপার্টমেন্টনা মফম কয়াদা য়েল্লো এল্লার্ট লাউথোকখ্রে। ভাগেশ্বর অমসুং চামোলিগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা ক্লাস ৱানদগী টুয়েল্ব ফাওবগী স্কুল অমদি অঙ্গনৱাদিশিং ছুতি থাদোকখ্রে। মধ্য প্রদেস, পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, উত্তর প্রদেস অমসুং রাজস্থানগী মফম খরদা লেন য়াওনা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

রাজস্থান, হিমাচল প্রদেস, পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর অমসুং উত্তর প্রদেসকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি- হুমনি অসিদা অয়ুক অমসুং নুমিদাংগী মতমদা লৈচিল কুংনা থাগনি হায়রি। হিমাচল প্রদেসকী অৱাংবা মফমশিংদা উন তাবা অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা নোং চুবদগী ইংবগী চাং হেনজিল্লে। কুলু জিলাদা উন কা হেন্না তাবদগী লম কোইবশিং থোরকপা য়াদবদগী পুলিসনা মখোয়শিংবু শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখ্রে। লম কোইবা মীওই লিশিং মঙারোম ঙরাং অথেংবা ফাওবদা পুলিসনা শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখ্রে।

মেট দিপার্টমেন্টনা রাজ্য অদুগী মফম কয়াদা নোং য়াওনা উন তাগনি হায়রি। মনিপুরগী মফম কয়াদসু ঙসি লৈচিল কুংনা থাখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং  ককচিংগী মফম কয়াদা হয়েং লৈচিল কুংনা থাগনি হায়রি ।

**ইসরো ঃ** ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো) না লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা স্পেস দোক্কিং এক্সপিরিমেন্ট (স্পাদেক্স) থাগৎলগনি।

কেন্দ্রগী স্পেসকী রাজ্য মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা হায়-চহি অসিগী অরোইবা শরুক্তা ইসরোনা থাগৎকদৌরিবা মীসন অসি ঐতিহাসিক ওইবা মীসন অমা ওইগদৌরি। মীসন অসিনা শুন্দ্রংদা সেটিলাইট অনি পুনশিনবা ঙমহনগনি।

ডা: জিতেন্দ্রনা হায়-স্পাদেক্স মীসন অসিনা স্পেস দোক্কিংগী লমদা হৈথোই শিংথোইরবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ভারতসু অমা ওইরগনি। মহাকা হায়-পি.এস.এল.ভি. রোকেটনা লমদম অসিগী মচাক মথুমতনা শাজবা সেটিলাইট অনি য়াওবা ভারত্তিয়া দোক্কিং সিষ্টেমসু থাগৎকনি।

**কঞ্জুমরঃ** কেপ সার্ভিস তৌরিবশিংনা তোঙান তোঙানবা মওংদা ভারা লৌই হায়না মরাল শিরক্লিবা অসি থিজিন্নবা কেন্দ্রগী কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মন্ত্রি-প্রহ্লাদ যোসিনা সেন্ত্রেল কঞ্জুমর প্রোটেক্সন ওথোরিতিদা খঙহনখ্রে।

শিরক্লিবা মরাল অদুগী মতুং ইন্না চপ মান্নবা লম্বীদা এন্দ্রোইট নৎত্রগা এপল ফোনদগী বুক তৌবদা তোঙান তোঙানবা ভারা লৌই হায়না মরাল শিরি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা মন্ত্রিনা হায়-থৌদোক অসিগী মতাংদা সেন্ত্রেল কঞ্জুমর প্রোটেক্সন ওথোরিতিদা মরিক চুমা থিজিন্নবা অমদি অথুবা মতমদা মসিগী রিপোর্ট পীখৎলকবা খঙহনখ্রে। ফুদ দিলভরি এপ, ওন লাইন টিকেৎ বুক্কিং এপ য়াওনা অতৈ এপশিংগী মতাংদসু থিজিন্নবা মন্ত্রিনা ওথোরিতি

অসিদা পাউতাক পীখ্রে।

**ফিল্মঃ** ২১ শুবা থার্দ আই এসিয়ান ফিল্ম ফেষ্টিবেল মুম্বাই অমসুং থানেদা মথং থাগী ১০ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। ফেষ্টিবেল অসিগী মনুংদা পুন্না ফিল্ম ৬১ উৎকনি।

অহৌবা নুমিৎতা চাইনিজ ফিল্ম-'দা ব্লেক দোগ' উৎকনি। ফিল্ম অসি কান্স ফিল্ম ফেষ্টিবেলগী য়ু.এন.সরর্টন রিগার্দ সেক্সনদা খ্বাইদগী ফবা ফিল্মগী মনা ফংখিবনি। কুমশি চহিগী ফিল্ম ফেষ্টিবেল অসিদা শকাইরবা স্ক্রিন রাইটর অমসুং ঈশৈ ময়েক ইবা-জবেদ অক্তারবু এসিয়ান ফিল্ম কলচর এৱার্ড পীদুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

জর্নেলিষ্ট-রাফিক ভাগদাদিদা সৈত্যজিৎ রে মেমোরিএল এৱার্ড পীগনি।

**সন্তোসঃ** ৭৮ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর সন্তোস ট্রোফিগী সেমি ফাইনেল মেটচশিং হয়েং হায়দ্রবদকী দেকান এরেনাদা শান্নরগনি।

অহানবা সেমি ফাইনেলদা নোংচুপ বেঙ্গোলগা সার্ভির্সেসকা নুংথিল পুং অনি মখায়দা শান্নগনি। অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা মনিপুরগা কেরলা এফ.সিগা নুমিদাং পুং ৭ মখায় তাবা মতমদা শান্নগনি।

ফাইনেল লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৭ মখায় তাবা মতমদা শান্নগনি।

**স্পোর্টস (এল)ঃ** দাইরেক্তোরেট ওফ স্কুল ইদুকেসন (এস) মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা রাজ্যগী সরকারগী অমসুং এদেদ স্কুলশিংগী ওইবা ষ্টেট লেবেল স্কুল স্পোর্টস মীট ২০২৪-২৫ মথং থাগী ৩ দগী ৭ ফাওবা খুমন লম্পাক য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লগনি। তোঙান তোঙানবা মশান্না ১০ দা মহৈরোই অমসুং ওফিসিয়েল লিশিং ১,০৭২ রোমনা শরুক য়াগনি।

দাইরেক্তোরেট অসিনা থোকপা চেরোল অমনা মখা তানা হায়- স্পোর্টস মিট অসিদা শরুক য়াগদবা চীংগী জিলাগীশিংগী নুপা মহৈরোই অমসুং ওফিসিয়েলশিংনা লাক্লিবা তাং ২ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা অদুগা নুপীগীনা টি.জি. হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা রিপোর্ট তৌরগদবনি।

**চেস (এল)ঃ** ইন্দ্র চেস একাডমীনা শিনদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী কোংপাল চনম লৈকাইদা পাঙথোকপা অহানবা ইন্দ্রকুমার মেমোরিএল ৱান ডে অন্দর ফিফতি ওপন রেপিদ চেস টুর্নামেন্ট ঙসি লোয়শিনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা খাগোকপম নাওবোইনা অহানবা পোজিসন, খুমন আইন স্তাইন মাইবমনা অনিশুবা অমসুং মঙাল এলাংবমনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না শান্নরোই ৪০ না শরুক য়াখি।

**ক্রিকেট** ঃ ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলবোর্নদা চথরিবা ভারত অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী বোর্ডর গাভাস্কর ত্রোফিগী মরিশুবা টেষ্টকী হুমনি চনবা নুমিৎকী অহানবা ইন্নিংসতা ভারতনা ঙসি ৱিকেট ৯ তুরগা রন-৩৫৮ লৌরি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইনিংসতা রন-৪৭৪ লৌখি। উবগী চাং ৱাৎপদগী ঙসি শান্নবগী মতম ঙনখৎনা লোয়শিনখিবনি। নিতিশ কুমার রেদিনা রন-১০৫ অমসুং মহামদ সিরাজনা রন অনি লৌরগা ক্রিজতা লৈরি। মেটচ মঙাগী সেরিজ অসি হৌজিক অমমম থোইনরে।